# এড়ুকেসন ১দি পোলিটিক্স পুনবা য়ারোই

## সরকারগী স্কুলশিং তোঙানবা মচু শংলগনি

-এম ওকেন

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ২১ঃ*** এড়ুকেসন অমসুং পোলিটিক্স অনি অসি পুনবা য়ারোই। অনি অসি পুল্লগদি অফবা এড়ুকেসন পুরকপা ঙম্লোই। সরকারগী স্কুলশিংসু অতোপ্পা স্কুলশিংগা য়ানশিন্নদনবা হেক য়েংবদা সরকারগী স্কুলনি খঙনবা তোঙানবা মচু তৈরগনি। লোয়নননা সরকারগী স্কুলশিং হেন্না ফগৎহন্নবা সরকারগী মহৈরোইশিং ষ্টাইপেন্দ অমসুং ওনরিয়ম পীননবা পোলিসি অমসু পায়খৎলগনি হায়না ঙসি জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিমদা পাঙথোকখিবা হন্দক হায়দোকখিবা কাউন্সিলনা লৌবা টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মকোক মথং তারকখ্রবা মহৈরোইশিং মনা-মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা এড়ুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদমসিগী হায়র এড়ুকেসনগী ফিভম ফত্রিবশিং অসি চুমথোক্লবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। হৌজিক লৈরিবা এড়ুকেসন সিষ্টেম অসি চুমথোক্লবা তোঙান তোঙানা প্লান্ট অমসুং পোলিসি কয়া শেমদুনা লৈরে। মসিদা মীয়াম অমসুং এড়ুকেসনগা মরী লৈনবশিংনসু কো-ওপরেসন পীবীয়ু।

এড়ুকেসনবু হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অথুবদা এড়ুকেসন মিনিষ্টর কৌবা ৱেভ সাইট অমসু হাংলগনি। মসিদা মীয়ামগী কমপ্লেন অমসুং সজেসনশিং পীবীয়ু। পোষ্ট ওফিসতসু তোঙানবা পোষ্ট বোক্স অমা হাংদুনা মীয়ামগী সজেসনশিং লৌগনি। লোয়নননা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা মতশিংদু লৌরবা তুংদা অনৌবা পোলিসিশিং শেমগনি।

মমাংদা এড়ুকেসন সেল হায়না লৈরম্বদু অপ গ্রেদ তৌদুনা এড়ুকেসন ৱিং হায়না ইঞ্জিনিয়ার মরি মঙা য়াওনা মেম্বর ৭০ লৈবা ৱিং অমসু শেমদুনা এড়ুকেসনবু অহোংবা অমসুং হেন্না এপ্রুফমেন্ট লাকহন্নবা মীৎয়েং চংলগনি।

টিচরস ট্রান্সফার পোলিসি শেমদোক্কুনা মমাংদা ট্রান্সফার তৌনিংবদা তৌবা কুশি-রাশিগী থবক অদুসু য়াররোই। ঙসি সরকারগী স্কুলশিংদা মহৈরোই লৈত্রিবশিং অসিসু সরকারগী স্কুল খরা আইদেন্টিটিফাইদ তৌদুনা দিভলপ তৌরগনি। রেসি-দেন্সিয়েলগী দরকার লৈরগসু মদু শেমগৎলগনি অমসুং মহৈরোইশিংদা ষ্টাইপেন্দ অমসুং ওনরেরিয়ম পীননবা পোলিসি পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এময়ুগী দিন স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেস প্রোঃ ডব্লিউ নবকুমারনা হায়খিবদা অফবা সমাজ অমা ওইহনসি হায়রবদি হ্যুমেন রিছোর্স ফগৎহনবা তাই। অফবা মহৈ-মশিং পীরবদতা হ্যুমেন রিছোর্স চাওখৎলক্কনি। ইশা ইশাগী ওইনা লৈরিবা জ্ঞান লৌশিং অসি শীজিন্নদনা লৈরবদি করিমত্তা কান্নবা ফংলোই হায়খি।

কাউন্সিল ওফ হায়র এড়ুকেসন মণিপুরগী চেয়ারপার্সন এস গিতানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা দোনরশিংগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা কাউন্সিলনা লৌবা হন্দক হায়দোকখিবা সাইন্স, আর্টস অমসুং কর্মার্স ষ্ট্রিমদা ফার্ষ্টতগী ২০ শুবা পোজিসন ফাওবদা লাকপা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। হায়েষ্ট মার্ক স্কোলরশিংদসু মনা-মথুম য়েন্থোকখি।